## বলানা রেঞ্জর্স এফ সিদা শান্নখিবা অসিনা মথংগী জেনরেসন্দা অচৌবা শাফু পীরগনি: অশালতা





ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী মনুংদা লৈবাক অসিগী পুৱারীদা অহানবা শান্নরোয় অমা ওইনা য়ুরোপিয়ন প্রোফেস্নেল লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা ঙম্লিবী ঙাঙোম বলানা স্কোটলেন্দগী রেঞ্জর্স এফ সিদা শান্নবা ঙম্লিবা অসিনা ইন্দিয়াগী তুংদা লাক্কদৌরিবা জেনরেসন অসিদা অচৌবা শাফু অমা পীরগনি হায়না হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী নেসনল ৱিমেন্স টিমগী কেপ্টেন ওইরিবী লোইতোংবম অশালতানা ফোঙদোরকখ্রে।

মমাংদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইরম্বতা নত্তনা ইন্টরনেসনল মেটচ কয়াদা পাঞ্জল য়াম্না চনবা ঙম্বগী রেকোর্দসু থন্বা ঙম্লিবী ঙাঙোম বলানা স্কোটলেন্দগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা রেঞ্জর্স এফ সিগী নুপীগী ফুটবোল টিমদা হৌখিবা চহীগী সেপ্তেম্বর থাদা খুৎয়েক পীনদুনা টিম অদুদা শরুক য়াবা ঙম্লিবনি।

হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইরিবী লোইতোংবম অশালতানা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, ঙাঙোম বলানা রেঞ্জর্স এফ সীগী নুপীগী টিমদা শরুক য়াদুনা স্কোটলেন্দগী নুপীগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা স্কোট্টিশ ৱিমেন্স প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়াদুনা শান্নবা ঙম্লিবা অসিনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা নৌনা হৌগৎলক্লিবা মশান্না অসিবু পামজবা নুপী ফুটবোল শান্নরোয়শিংদা অচৌবা শাফু অমা পীদুনা মপান লমদা শান্ননবগীদমক্তা মশা-মশাগী লৈরিবা টেলেন্টশিং অদু ফূদোক্তুনা হেন্না ফজনা শান্নহন্নিংবগী পারা অমা পীরি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল শান্নরোয় খক্তা নৎতনা নুপাগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তসু য়ুরোপকী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লবশিংদা অমুক্তং শান্নবা ফংলবদি হায়বগী মঙলান অদু নুমীৎ খূদিংগী লৈরিবনি। ঙাঙোম বলানা হোৎনবা কনবা অমদি মশাগী লৈরিবা টেলেন্ট অদু মতাং মতম চানা উখোকপা ঙম্বা অদুনা য়ুরোপিয়ন প্রোফেসনেল ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা ঙম্লিবনি হায়না মশাগী চহী ২৭শুরবী কুমজা ২০১৯দা এ এফ সী ৱিমেন্স প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রবী অশালতানা ফোঙদোরকখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন অমা ওইনা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী এসিয়ন কপ ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগীদমক শেম শারি। করিগুম্বা মহাক্কী মায়কৈদসু মীরমদা শান্নবা চৎপগী অপাম্বা লৈ। অদুবু হৌজিক্কী ওইনদি এ এফ সী এসিয়ন কপতা মায় ওনশিন্দুনা টিম অসিগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স লৈনবা হোৎনরি।

## খেলো ইন্দিয়া এথলিটশিংগী লুপা ক্রোর ৫.৭৮ কাইথোকখ্রে


ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী শান্নবগী অপূনবা লূপশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈরিবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা চহী অসিগী ওক্টোবর থা অমসুং নবেম্বর থাগী ওইবা খেলো ইন্দিয়া এথলিট ২৭৮৩গী ওইনা ও পি এ (আউট ওফ পোকেট এলাৱেন্স)গী ওইনা লুপা ক্রোর ৫.৭৮ কাইথোকখ্রে।

ও পি এ অসি খেলো ইন্দিয়া এথলিটশিং অসিগী মশাগী ওইবা বেঙ্ক একাউন্টশিংদা চহী ১দা লুপা লাখ ১.২০ ট্রান্সফর তৌরিবনি। লোয়ননা অতোপ্পা লেমহৌবা শেনফমশিং অদুনা এথলিটশিং অসিনা ট্রেনিং তৌবা, মখোয়না ট্রেনিংগী মতমদা চান-থক্নবা অমদি লৈফমগা লোয়ননা লাইরিক-লাইশু তম্বগী হীরমদা খেলো ইন্দিয়া একাদেমিদা লৈবা মতমদা শীজিন্ননবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা শিন-লাংলিবনি।

ঙরাং নুমিদাংৱাইরম অথেংবদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না নৌনা লুপা ক্রোর ৫.৭৮ কাইথোকখিবা অসিনা খেলো ইন্দিয়াগী এথলিটশিংনা মখোয়-মখোয়না লৈরম্বা খেলো ইন্দিয়া একাদেমিদগী মরমদমদা চৎপগী চাদিংসু য়াওরি। লোয়ননা মখোয়না মখোয়গী মরমদমদা লৈদুনা চান-থক্নবগী চাদিং তৌনবগী শেনফমসু য়াওই হায়রি।

শেন্থং অসি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী মখাদা লৈবা খেলো ইন্দিয়া টেলেন্ট দিভলপমেন্ট স্কিমগী মখাদা কাইথবনি। রুরেল এরিয়াদা লৈবা খেলো এথলিট ২২৭তা ওক্টোবর অমসুং নবেম্বরগী ওইনা স্কোলরশিপকী ওইনা লুপা লাখ ৪৫.৪ কাইথখ্রবনি হায়রি।

## ইন্দিয়াগী গুনেশ্বরননা য়ু এসকী জেক সোক থোইদুনা কেরি চেলেঞ্জরগী ক্বার্টর য়ৌখ্রে



কেরি, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী): য়ু এস এগী কেরি সিটিদা পাঙথোকপা এ টিপি চেলেঞ্জর ইভেন্ট অমা ওইরিবা অটলান্টিক টায়র টেন্নিস চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রজনিশ গুনেশ্বরননা ঙরাং অথেংবা শান্নখিবা মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু লৈবাক য়ু এস এগী শান্নরোয় জেক সোকপু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মালেমগী ওইবা নুপাগী টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা ১৪৬শুবা পোজিসনদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী সিঙ্গলসকী নম্বর ৱান টেন্নিস শান্নরোয় ওইরিবা প্রজনিশ গুনেশ্বরননা অটলান্টিক টায়র টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী ২শুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী জেক সোকপু পুং ৩ লোম চঙনা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদুদা সেট ২-১দা থোইখি।

অহানবা সেটতগী হৌরগা শান্নরোয় অনীগী লম্বা য়াম্না মান্নখি। সেট অদু হেঞ্জিনবা ঙম্নদবদগী গেম ৬-৬ মান্নরকপনা মরম ওইরগা টাই ব্রেক শান্নখি। টাই ব্রেক অদুদা য়ু এস এগী শান্নরোয় জেক সোকনা ৭-৩দা থোইরগা সেট অমা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতদি ইন্দিয়াগী প্রজনিশনা য়াম্না অহেনবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী য়ু এস এগী জেক সোককী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৬-২দা থোইরগা সেট অমমম্ মান্নরকপদগী দিসাইদিং সেট শান্ননবা শেম শানখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা মায় পাক্কনবা হোৎনরকপা লম্বাদা গেম ১২ শুরকপা ফাওবদা গেম ৬-৬ থোইদুনা অহানবা সেটকী অদুগুম্না টাই ব্রেক শান্নখি। টাই ব্রেক অদুদা গুনেশ্বরননা জেক সোকপু পোইন্ট ৭-৫দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

গুনেশ্বরননা টুর্নামেন্ট অসিদা মরিশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারক্তুনা সেমীফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা ব্রজিলগী শান্নরোয় টি বেলুচিগা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াই, বেলুচিনা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথনবু অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা পীরম্বা রসিয়াগী টেমুর গবাজবিলিবু ৬-৩, ৭-৬(৯-৭)দা থোইরম্বনি। টুর্নামেন্ট অসিদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি য়ু এসকী নাকাসিমা, কলম্বীয়াগী গলান, য়ু এসকী অতোপ্পা শান্নরোয় অনী য়ুবেঙ্কস অমসুং কুদালা, লোয়ননা দেনমার্ককী টোর্পেগার্দ অমসুং কজাখষ্টানগী পোপকোনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবল্‌সকী কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ গ্রেট ব্রিটেনগী বাম্ব্রিজ অমসুং য়ু এসকী লামোন্স সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মখোয়না য়ু এস এগী প্যের এন পাসা অমদি মা রেদলিক্কীগা লম্বা তৌদুনা ফাইনেল য়ৌনবা হোৎনগদৌরি।

## সাউথ অমেরিকা ক্বালিফায়রদা অর্জেন্টিনা অমসুং পরাগুৱে দ্রো চৎখ্রে, ইক্কাদোরনা বোলিভিয়া পাঞ্জল ৩-২দা থোইখ্রে



বুইনোসআইরিস, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী): কুমজা ২০২২দা এসিয়াগী লৈবাক কটারনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ফিফা ৱর্ল্ড কপকী সাউথ অমেরিকা রিজনগী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা ঙরাং অর্জেন্টিনা অমসুং পরাগুৱে পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদা ইক্কাদোরনা বোলিভিয়াবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইখ্রে।

সাউথ অমেরিকাগী ওইনা পূন্না ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিদা লৈবাক ১০না শরুক য়াদুনা মকোক থোংবা পোজিসন ৪ ফংনবা লম্বা তৌনরকপনি। মকোক থোংবা পোজিসন ৪ য়ৌরবদি ২০২২ ফিফা ৱর্ল্ড কপকীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি। অদুগা মঙাশুবা পোজিসনদা লৈরকপা টিম অদুনা অতোপ্পা ফুটবোল কনফিদরেসনশিংগী ওইবা প্লে ওফকীদমক শান্নবা য়াগদৌরি।

অর্জেন্টিনানা ঙরাং য়ূম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং বুইনোস আইরিসতা লৈবা অলবর্টো জে অর্মানেদা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু পরাগুৱেগী মায়কৈদগী শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা অর্জেন্টিনাবু মখোয়না মাংজিল থাবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু পরাগুৱেগী রোমেরোনা চনখিবনি। অহানবা হাফ অদু লোইগদবা মিনট ৪দা ঙাইরবা মতমদা অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদগী লাকখিবা বোল অদু নিকোল গোঞ্জালেসনা হেদ তৌশিন্দুনা ইক্কেলাইজর অদু ফংদুনা ১-১দা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী লিওনেল মেসিনা ৫৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লগা মাংজিল থারম্বা য়াবা খূদোংচাবা অদু ভিদিও রিভিয়ু তৌবদা পাঞ্জল অদুগী মাংওইননা সেকেন্দ ২৭ ৱাৎলিঙৈদা পরাগুৱেগী শান্নরোয় অমদা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয়না ফাউল তৌরুবা অদু থেংনরকপদগী পাঞ্জল অদু লৌথিখিবদগী ১-১দা দ্রো চৎখি।

ইক্কাদোরনা বোলিভিয়াবু ৩-২দা থোইখিবা অদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী কাইসেদো, মেনা অমসুং গুরুজোনা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অমরোমদা বোলিভিয়াগীনা অর্সে অমসুং মোরিনোনা স্কোর তৌবা ঙমখি।

## রসিয়াগী একাটেরিনা অলিজান্দ্রোভা অমসুং চেক রিপব্লিককী বার্বোরা ক্রেজিকোভা সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে





লিঞ্জ, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী): ওষ্ট্রিয়াগী লিঞ্জ সিটিদা পাঙথোকপা অপ্পর ওষ্ট্রিয়া লেদিজ লিঞ্জ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা রসিয়াগী একাটেরিনা অলিজান্দ্রোভা অমসুং চেক রিপব্লিককী বার্বোরা ক্রেজিকোভা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি অঙনবা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী রসিয়াগী অলিজান্দ্রোভানা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোয় অর্জেন্টিনাগী নাদিয়া পোদোরোস্কাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

অহানবা সেট অলিজান্দ্রোভানা পোদোরোস্কাগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইবা ঙমখি। মদুগী মখা তারকপদা শান্নরোয় অনীনা লম্বা তৌখিবা অনীশুবা সেট অদুদসু অলিজান্দ্রোভানা খূদুম চনবা হেনখিবদগী পোদোরোস্কাগী সর্ভিস গেম অহুম ব্রেক তৌদুনা ৬-১দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। অলিজান্দ্রোভানা সেমীফাইনেল লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অদু এলিজ মার্টেন অমদি রসিয়াগী ভি কুদরমেটোভা অনীগী অথোইবা অদুগনি।

অতোপ্পা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবী চেক রিপব্লিককী বার্বোরা ক্রেজিকোভানা মহাক্কী লম্বা বেলারুসকী অলিয়াকসেন্দ্রা সাস্নোবিচপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-১দা থোইখি।

ক্রেজিকোভানা সাস্নোবিচকা লম্বা তৌনরকপা অদুদা অহানবা সেট অদু হৌরকপদা লম্বা মান্নরম্বদগী সাস্নোবিচকী সর্ভিস গেম অমা ক্রেজিকোভানা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা সেটতা চেক রিপব্লিককী শান্নরোয় অদুনা বেলারুসকী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদা অহেনবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী সাস্নোবিচকী সর্ভিস গেম অহুম ব্রেক তৌদুনা ৬-১দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ক্রেজিকোভানা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবী শান্নরোয় অদু টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ বেলারুসকী এরিনা সবালেঙ্কা অমদি ফ্রান্সকী ও দোদিন অনীগী অথোইবা অদুগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ চেক রিপব্লিককী প্যের লুসি রাদেকা অমসুং কেটেরিনা সিনিয়াকোভানা রোমানিয়াগী বারা অমদি স্পেনগী টোর্মো থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## সচিননা অসামগী হোস্পিটালদা ইক্বিপ্টমেন্ট দোনেট তৌখ্রে



গুৱাহাটি, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী): ক্রিকেট মশান্নগী আইকোন অমা ওইরিবা সচিন টেন্দুলকরনা অৱাং-নোংপোক লমদমগী ষ্টেট অমা ওইরিবা অসামদা লৈরিবা চেরিটেবল হোস্পিটাল অমদা মেদিকেল ইক্বিপ্টমেন্টশিং দোনেট তৌখ্রে।

অসামগী করিমগঞ্জ দিষ্ট্রিক্তা লৈবা মকুন্দা হোস্পিটালদা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা ইমুং-মনুংশিংগী অঙাংশিংনা লায়েংলিবা মফম অদুদা খূৎশু-খূৎলায়শিং অদু মতেং পাংখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, সচিন টেন্দুলকর য়ুনাইটেদ নেসন্স ইন্টরনেসনল চিলদ্রেন্স ইমর্জেন্সি ফন্দ (য়ু এন আই সী ঈ এফ)গী গুদৱিল এম্বেসেদর ওইরিবনি। মকুন্দা হোস্পিটালদা লৈবা পেদিয়াট্রিক ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট অমসুং নিওনেটল ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিটতা তঙাইফদনা চঙবা ইক্বিপ্টমেন্ট (খূৎশু-খূৎলায়) মতেং পাংদুনা য়ামদ্রবদা অঙাং ২,০০০ রোমদা লায়েংবগী কান্নবা অদু ফংগদৌরি। য়ু এন আই সী ঈ এফকী গুদৱিল এম্বেসেদর ওইবতা নৎতনা মহাক মশাগী ওইবা তোঙানবা টেন্দুলকর ফাউন্দেসন হায়না মিংথোনবা নন-প্রোফিট ওর্গনাইজেসন অমসু লৈরি। হায়রিবা ওর্গনাইজেসন অসিনা মধ্য প্রদেশ ষ্টেটতা লৈবা ট্রাইবেল কম্যুনিটিশিংদা চান-থক্নবা অমদি মহৈ-মশিন তম্বগী খূদোংচাবা কয়া অমসু মতেং পীরি। হায়রিবা ফাউন্দেসন অসিনসু অৱাং-নোংপোক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা লায়রবা পনখৈ মখাগী মীওইশিংদসু কান্নবা পীগদৌরি।

## লিভরপুলগী ষ্ট্রাইকর মহমদ সালা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে



কাইরো, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী): মালেমগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা য়াম্না মরু ওইবা অমদি মীয়াম্না পাম্মনা য়েংনরিবা ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী হৌখিবা সিজনগী চেম্পিয়ন্স ক্লব লিভরপুলগী ষ্ট্রাইকর ইজিপ্ট মচা মহমদ সালা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইখ্রে।

ৱাফম অসি ইজিপ্সিয়ন ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকপনি। ইজিপ্টনা অফ্রিকন কপ ওফ নেসন্স ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা টোগোগা শান্নগদবা অদুগী মাংওইননা লৈবাক অদুগী ফুটবোল শান্নরোয়শিং কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা মহমদ সালা পোজিটিভ ওইরকপনি।

ইজিপ্সিয়ন ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা লৈবাক অদুগী ফুটবোল টিমগী শান্নরোয়শিং পূম্নমক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা মহমদ সালা পোজিটিভ ওইরকপনি। মহাক টিম অদুগী অতোপ্পা মেম্বরশিংগী মরক্তগী নাথৈদুনা তোঙান্না আইসোলেসনদা থম্লি হায়রি।

মহাক্না আইসোলেসনদা লৈরিঙৈ মনুং অসিদা মহাক্না উনবা লাকপা পূম্নমক অথিংবা থমগদৌরি। মশাগী চহী ২৭শুরবা মহমদ সালানা ইজিপ্টকী অফ্রিকন কপ ওফ নেসন্স শরুক য়াবগী খূদোংচাবা ফংদবনা সেল্ফ আইসোলেসনদা লৈরিবনি। টিম অদুগী অতোপ্পা মেম্বরশিংদি টেষ্ট পাঙথোকখিবা অদুদা পোজিটিভ ওইবা অমত্তা থেংনখিদে। মহমদ সালা হোস্পিটালদা লৈরিঙৈ ওফিসরশিংনা মহাক্কীদমক কুপ্না য়েংশিনগদৌরি।

## স্পেনগী সর্জিও রামোসনা য়ুরোপিয়ন ফুটবোলদা খ্বাইদগী মেটচ য়াম্না শান্নবা ওইরগনি



মাদ্রিদ, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী): য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী মরক্তা স্পেনগী ফুটবোল ক্লব রিয়াল মাদ্রিদতা শান্নরিবা অদুগা লৈবাক অদুগী ফুটবোল কেপ্টেনসু ওইরিবা সর্জিও রামোসনা য়ুরোপকী ওইনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ফুটবোল মেটচ শান্নবা ঙম্বা শান্নরোয় অদু ওইগদৌরি।

স্পেনগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেনসু ওইরিবা সর্জিও রামোসনা হৌখিবা চহীদা লৈবাক অদুগী ওইনা খ্বাইদগী য়াম্না ইন্টরনেসনল মেটচ শান্নবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইখিবনি। অমরোমদা, য়ুরোপগী ওইনা মমাংদা ইটালিগী গোলকিপর জিয়ানলুইগি বুফোননা পূন্না মেটচ ১৭৬ শান্নবা ঙমখিবা অদুগী রেকোর্দ অদু থুগায়বা ঙমগনি হায়না পানরি।

সর্জিও রামোসনা ঙসি অথেংবদা য়ুরোপিয়ন নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা স্বিটজরলেন্দগা শান্নগদবা মেটচ অদুনা মহাক্না বুফোনগী রেকোর্দ অদু থুগায়বা ঙমগদৌরিবনি।

অমরোমদা, ফুটবোলগী লম্দা ইজিপ্টকী শান্নরোয় অহমদ হাসননা পূন্না মহাক্কী লৈবাক্কী ফুটবোল টিমগী ওইনা মেটচ মশীং ১৮৪ শান্নদুনা খ্বাইদগী য়াম্না ইন্টরনেসনল মেটচ শান্নবগী রেকোর্দ অদু থম্লি। হৌখিবা য়ূমশকৈশা নুমীৎতা নেদরলেন্দসকা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখিবা অদুদা রামোসকী করিয়রগী অপূনবা মেটচ মশীং অদু ১৭৬ শুখ্রবনি।

## গোকুলম কেরলা এফ সীগী দিপকনা নেসনল টিমদা শরুক য়াবা পাম্লি



টিরুবনন্থপুরম, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল ক্লবশিংগী মনুংদা পাঙথোকপা কম্পিটিসনশিংগী অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টিম অমা ওইরিবা গোকুলম কেরলাদা নৌনা য়াওদুনা ইন্দিয়াগী নেসনল ফুটবোল টিমদা শরুক য়াননবগী অচৌবা অপাম্বা লৈ হায়না দিফেন্দর দিপক দেবরানিনা ফোঙদোকখ্রে।

এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় অসিনা আই লীগকী ওইবা কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ৯দগী হৌগদৌরিবা আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মাংওইননা মহাক য়াওবা ফুটবোল ক্লব অদুনা চাওনা মায় পাক্কনবা অমদি টাইটলগী টার্গেট অদু থম্বা পাম্লি হায়রি।

গোকুলম কেরলাদা নৌনা চঙলকখিবা দেবরানিনা মমাংদা য়াম্না ফজবা মওংদা শরুক য়ারিঙৈদা মহাক্কী ক্লব অনীনা টাইটল লৌবদা অচৌবা মতেং পাংখি। মহাক্কী অরোইবা পান্দমদি ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওবনি। মশাগী চহী ২৮শুরবা দিপক দেবরানিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিকমক্কী ওইনদি মশাগী ফিটনেসকী লেভেল অদু কদায় ফাওবা য়ৌরগদগে হায়বদু মায়োক্নবা টিম অমগা হৌজিক ফাওবদা ফ্রেন্দলি মেটচ অমা ফাওবা শান্নদবা মরম্না খঙদোকপদা খরা ৱাগদৌরি। আই লীগ চেম্পিয়ন ওইখিবা মোহন বগানদা শান্নরিঙৈ মতমদা দেবরানিবু অতোপ্পা ক্লবশিংনা লৌশিনবা পাম্নরকখি। আই লীগ মায় পাক্তুনা ক্লব অদুনা মথং চহীদা ইন্দিয়ন সুপর লীগ শরুক য়াবা ঙমগদৌরি।

## ব্রাজিলগী নেমার ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং মেটচ য়াওরোইদৌরি



রিওদিজেনৈরো, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী): কুমজা ২০২২দা কটারনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সাউথ অমেরিকাগী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা ঙসি অথেংবদা ভেনিজুৱেলা শান্নগদৌরিবা মেটচ অমদা কাময়া শোকপদগী ব্রাজিলগী নেমার শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরি।

ব্রাজিল ফুটবোল টিমগী দোক্টর রোদ্রিগো লাস্মরনা ফোঙদোকখিবদা, নেমারনা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী মেটচ অমদা কাময়া শোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা ঙসি অথেংবদা শান্নগদৌরিবা ভেনিজুৱেলাগী মেটচ অদু য়াওবা ঙমদবতা নৎতনা লৈবাকপোকপা নুমীৎনা উরুগ্বেগা শান্নগদবা মেটচ অদুসু য়াওবা ঙম্লোইদৌরি।

পনবা য়াবদি, মমাংদা নেমারনা শরুক য়ারিবা ফ্রান্সকী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনগী কোচ থোমাস টুসেলনা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবদা, শোকখিবা নেমারনা ব্রাজিল ফুটবোল টিমগী মায়কৈদগী ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং মেটচশিং অদু শান্নবদা অৱাবা অমা ওইগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মরক অসিদা, ব্রাজিল ফুটবোল টিমগী কোচ ওইরিবা টিটেনা নেমারগী মহুৎ শিন্ননবা ষ্ট্রাইকর পেদ্রোবু টিম অদুদা নৌনা কৌখৎখিবনি। অদুবু নেমারগী মমিং অদুবুসু টিমদগী লৌথোকপদি লৈত্রি। ব্রাজিল ফুটবোল টিমদা মাংজৌননা শোক্তুনা লৈরিবা মিদফিল্ডর ফিলিপ কোটিনো, ফাবিনো অমদি দিফেন্দর রোদ্রিগো কাইওসু শান্নবা য়াওরোইদৌরিবনি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com